অসাম রাইফলসনা সিলচরগী ত্রিকোনাদা লৈবা হেদ ক্বার্টরদগী ওপরেসন সদভবনা প্রোজেক্টকী মখাদা কছার, তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মহৈরোয় নুপামচা ১৮ অমসুং নুপীমচা ১০বু ইন্টিগ্রেসন টুরগীদমক লমথাখিবা

এদহোক কম্মিটি ওফ ওল মণিপুর ইলেক্টেদ পি আর আইজ ২০১৭না এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অথুবা মতমদা হন্দোক্কদবনি হায়না মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা মীফম পাঙথোকখিবা

সী পি আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী থাগী চেফোঙ 'অনৌবা য়াওল' ককচিংদা লৈবা সী পি আই দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ওফিসতা অচম্বা থৌরমগা লোয়ননা ফোঙখিবা

MEN DANCE AND DRAMATI

ৱিমেন দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন তাওথোংগী ৩১শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা

ম্যুজিক ভিডিও কম্পিটিসন

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে রোনেলচন্দ্র মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ৯শুবা মণিপুরী ম্যুজিক ভিডিও কম্পিটিসন ২০২৪ লাক্লিবা এপ্রিল ৯ মমি নুমিৎ (বার্থ ওফ মণিপুরী সিনেমা) তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কম্পিটিসন অসিগীদমক কুমজা ২০২২গী মে ১দগী কুমজা ২০২৪গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা প্রিভিয়ু তৌরবা মণিপুরী ম্যুজিক ভিডিও এলবমশিংনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। কম্পিটিসনসিদা শরুক য়ানবগীদমক এন্ট্রি ফোর্ম অমদি রুলস এন্দ রেগুলেসন (চৎন-পথাপ) ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিসতগী ওফিস মতমদা লাক্লগা লৌরবা য়াগনি। মরু ওইনা লৈবাক নীংবা ম্যুজিক ভিডিও এলবমশিংদসু হেন্না মীৎয়েং থমগনি হায়রি।

গম্ভীনীদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লিনা ঙসি ন্যু দেল্লিগী কামনি ওদিটোরিয়ম কোপর্নিকস মার্গতা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ২০২৩ লান্থোকখ্রে। একাদেমীসিনা কুমজা ২০২৩গী ওইনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী অইবা ২৪ খনগত্তুনা লেমজ নিংঙাই ওইরবা নেসনল সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ পীখিবগী মনুংদা মণিপুরগী অইবী সোরোকখাইবম গম্ভীনীসু য়াওখি।

সোরোকখাইবম গম্ভীনী মশক নাইরবী অইবী, কবি, এদিটর অমসুং হন্দোক্লোই অসিনা ইবা মণিপুরী শৈরেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক 'য়াচংবা নঙ হল্লো' হায়বসিদা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি। অইবীসি কুমজা ১৯৭১গী জন্যুৱারী ৫দা ত্রিপুরাগী দলাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কমলপুরদা পোকখি।

নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভবনা প্রোজেক্টকী মখাদা নুমীৎ ৯নিগী ওইবা নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর অমা ঙসি লমথাখ্রে। টুর অদুদা কছার, তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মহৈরোয় নুপামচা ১৮ অমসুং নুপীমচা ১০না শরুক য়াখি। টুর অদু শিল্লোং, গুৱাহাতি অমসুং তেজপুরদা চৎকদবনি। ইন্টিগ্রেসন টুর লমথাবগী থৌরম অদু সিলচরগী ত্রিকোনাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখি। টুরসিগী পান্দমদি শোথনা লৈরিবা মফমশিংগী অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকসিগী কলচরগী ফজরবা মশক অমসুং সাইন্টিফিক দিভেলপমেন্ট কয়া অমা খঙহন্দুনা লমদমসিগী মহৈরোয় অমা ওইবগী মপূক্লিংদা চাউথোকচবা পোকহন্নবনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী মসা লোয়শঙ পোইরৈ ইতাগী এদভাইজর ওইরম্বী সনসম ওংবী ইবেমহল লৈমনা মার্চ ৫দা লৈখিদবদা পোইরৈ ইতাগী মায়কৈদ্দগী থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী মায়কৈদগীসু পোইরৈ ইতাগী এদভাইজর ওইরম্বী সনসম ইবেমহল লৈমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা তাইবং মপুগী মফমদা খুরুমজখি। লৈখিদ্রবীসিগী লান্ন-থৌরম লাক্লিবা মার্চ ১৫, ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মেন্টল হোস্পিটাল শাগৎনবা পাট্টা পীথোক্লম্লে : সী ঐচ বিজয়

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহীগী মে ৩দা কুকিনার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা মীতৈগী মথক্তা অতম্লনা লান্দারক্লুনা মীওই লিশিং কয়া রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্ফেল খুনৌদা ইভিক্সননগী কেসতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীতৈ খরা তান্থোক্লগা রিলিফ কেম্পতা অমুক লৈহনগদৌরে হায়না পোলিটিকেল কম্মেন্ত্রেটর সী ঐচ বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক লম্ফেল খুনৌদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা সী ঐচ বিজয়না হায়খিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট পুন্না লুপা ক্রোর ৩,৫০০ রোম উরেপ তম্বা অমদি শঙ্গাবগী থৌরম কয়া পায়খৎলকপগী মনুং চন্না পি এম দিভাইন স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর ৭০ চঙনা শাগদবা মেন্টল হোস্পিটালগী উরেপ-উয়ুং তম্বা য়াওরি। হায়রিবা হোস্পিটালসি শাগদৌরিবা মফমসি য়ূম ১৭ খক লৈবা অপীকপা লৈকায় অমনি। অদুবু লৈকায় মীয়ামদা খঙহল্লমদনা হোস্পিটাল শানবগী পাট্টা পীথোক্লস্বদা নত্তনা ইভিক্সন তৌগনি হায়না নোটিশ ফাওবা থোকখ্রে।

হায়রিবা লমসি কুমজা ১৯৯২দা রেসিদেন্সিএল এরিয়ানি হায়না কেবিনেট দিসিজন অমা লৌরগা লাউথোকখ্রবনি অমদি হৌখিবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৬তা চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা চহী ৪০ হেন্না লৈরক্লবা অমদি য়ূম ১৭ অসিগী পীফম থোকপা পাট্টা পীনবা দরখাষ্ট থাখিবদুদা চীফ মিনিষ্টর মশামক্না পাট্টা পীরগনি হায়বগী থাজবা ফাওবা পীরকখিবনি হায়রি।

হৌজিক ইভিক্সন তৌগনি হায়রিবা লম্ফেল খুনৌগী মফমসিগী অকোয়বদা মিটর ৩০০ মুক্তং চৎলগা রিমসকী সাইকিয়াট্রিক ৱার্দতা ফমুং ৫০ লৈবা মেন্টল হোস্পিটাল অমসু লৈরিবনি। লোয়ননা অকোয়বদসু অহাংবা কয়া লৈরি। অদুবু অতম্লনা য়ূম কয়া তাদুনা লৈরিবা মফমসিদা শাজিল্লক্কনি হায়রিবসি লেম্না থারোই হায়বগী থৌওংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুর লৈঙাক্লা ইভিক্সন ওর্দর থোক্লকপদগী কোর্টতা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী ওর্দর অমা মার্চ ৬তগী ২০ ফাওবা ষ্টেটস কো পীদুনা লৈরিবনি। কোর্টকী ষ্টেটস কো ওর্দর অমা লৈনা লৈনা করিগী মফমসিদা উরেপ-উয়ুং তল্লিবনো হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদে হায়খি।

'পঞ্চায়ট ওফিস বি জে পি ওফিস ওন্থোকপা য়ারোই, এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অথুবদা হন্দোক্কদবনি'

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : চহী অমা মখায়রোম মীখল পাঙথোক্তনা লৈরিবা পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসন (পি আর আই)শিংগী থবক য়েংশিন্নবা লৈঙাক্লা শেমখিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অথুবদা হন্দোক্কদবনি হায়না এদহোক কম্মিটি ওফ ওল মণিপুর ইলেক্টেদ পি আর আইজ ২০১৭কী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিসি হন্দোক্লবদি ১৮শুবা লোক সভা মীখলগীদমক রুলিং পার্টিগী মায়োক্তা লৈঙাক্কী থৌওংনা শোক্লবা পি আর আইগী থৌমীশিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা ভোট খোমগনি হায়না চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল য়াইস্কুল পুলিসলেন্দদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা পি আর আইশিংগী মীহুৎশিংগী ওইবা মীফমদা লেপ্লখিবনি। মীফমদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা লৈঙাক্লা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেমখিবা য়ানিংদে, মণিপুর লৈঙাক্লা পঞ্চায়ট ওফিস খূদিংমক বি জে পি ওফিস ওন্থোক্লবা হোৎনবা য়ারোই, লৈঙাক্লা পঞ্চায়ট মুখৎনবা হোৎনবা পি আর আইশিংনা চপ চানা থেংনগনি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা পি আর আইশিংনা মাস প্রোটেষ্ট তৌবা হায়বনচিংবা অসিনি।

ৱারেপশিংসি লাউথোক্লদুনা এদহোক কম্মিটি ওফ ওল মণিপুর ইলেক্টেদ পি আর আইজ ২০১৭কী এদভাইজর সেরাম নেকেননা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মরী লৈনবা বি জে পিগী খুৎচাবীশিংবু ক্রাইটরিয়া নৎত্রগা ক্বালিফিকেসন অমত্তা থমদনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিদা হাপচিন্দুনা পঞ্চায়ট ওফিসপু বি জে পি ওফিস ওন্থোক্লবা হোৎনরে হায়না মরাল শীখি। এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিসিগী মতাংদা দি সীনা নোটিশ থোকপা মতমদসু মীদিয়াদা অমত্তা হাপখিবা উদে হায়না ফোঙদোকখি।

পি এল সী একাদেমী য়াইরিপোক্না শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পীদুনা শেল লৌরে : মৈতৈ চৈঙাক

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : য়াইরিপোক্তা লৈবা পি এল সী একাদেমী হায়রিবা মহৈশঙসিনা শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পীদুনা মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংলে হায়না মৈতৈ চৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি ৱাহেংবম দিনন্দোনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খিবদা, মহৈ লোয়শঙ অসি মণিপুর বোর্দকী রিকগ্নিসন খক্তা নত্তনা পুর্বা শিক্ষ বোর্দ অসামগীসু রিকগ্নিসন লৌশিল্লগা মহৈরোয়শিংদা শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পীদুনা মীওই অমদগী লুপা লিশিং ৩০ হেন্না লৌদুনা মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে। মহৈ লোয়শঙ অসিগী রিকগ্নিসন কক্লবা বোসেমগী চেরমেনদা থা অসিগী ৬তা লূপ অসিনা চেরোল পীশিনখি। অদুবু এক্সন লৌখৎপগী মহুত্তা মহৈ লোয়শঙসিদা নৌনা মহৈরোয় ৩৯ মিং চলহল্লক্লে। ৱাফমসি মরী লৈনবশিংনা হকচিন্না লৌবীদ্রবদি লূপ অসিগী মায়কৈদগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, পি এল সী একাদেমী, ময়াই কৈথেল য়াইরিপোক্কী প্রিন্সিপাল থোকচোম সনাহল মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা স্কুলগী মিংচৎ থিনবা অমসুং মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংনবা থৌওং চথবীগনু হায়না ফোঙদোরক্লি। একাদেমীসিনা লমদমসিদা লৈরিবা লৈত-লায়রা মহৈরোয় কয়াবু অফবা মায়কৈদা লমজিংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। স্কুলসিগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংনা অহিং-নুংথিল নাইদনা শোথরবা মায়কৈ অসোমগী মহৈরোয়শিং অমদি গার্জিয়ানশিংগী খন্দুনা য়াম্না ৱানা হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা স্কুলসিবু মিংচৎ থিনবা মীদিয়াগী থোঙদা কনানো, করিনো মশক খঙদবা ওর্গনাইজেসন খরনা স্কুল অসিবু মিংচৎ থিনবা লাউথোকপীরকপসি লাইবক থীবনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারি।

য়াওল্লোই কেপ্টেন লৌরেম্বম থাংজিং (নাওবী)…

লমায় ১গী মখা… লৈমখোংদা লৈবা লৈখিদ্রবা লৌরেম্বম মেরাজাও অমদি লৈখিদ্রবী লৈখম অনীগী মচা তরেৎ পোকচবগী মনুংদা তরুকশুবা মচাদা ইতোন তোনবা মপারী ওইনা ফংজখি।

কুমশিং ১৯৯৯দা কেপ্টেন থাংজিং পার্টিদা য়াওরকখি। ১৯৯৯ (নবেম্বর ১৯৯৯-ফেব্রুৱারী ২০০০)দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা বেটচকী এম পি এগী বেসিক মিলিটরি ত্রেনিং (বি এম টি)দা শরুক য়াখি। ত্রেনিং অসি মায় পাক্তুনা এম পি এগী সর্ভিস নম্বর ১১৩২ ফংখি। ত্রেনিং লোইরবা মতুংদা ২০০০দগী ২০০৫ ফাওবা মতমদুগী এম টি এফতা নীংতম লান্মী অমা ওইনা য়েক্লবা আই ও এফ অমদি রিএক্সনরিশিংগা থেংনবা লানফম কয়াদা লান্মী অমগী থৌদাং লৌখি। মতুংদা ২৪২ বট্টালিয়ন্দা ফেব্রুৱারী ২, ২০০৬ ফাওবা থবক তৌরমখি। জন্যুৱারী ২, ২০০৮ ফাওবনা জি ঐচ ক্যুদা লৈদুনা থবক তৌরমখি। ২০০৯গী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবনা ২৯২ বট্টালিয়নদা লৈখি। মদুগী তুংদা বি পি এম এগী ষ্টাফ ওইনা অমুক পার্টিগী থৌদাং লৌরকখি। কুমশিং ২০২০দগী পার্টিগী ঐচ এন্দ এফ দল্লিয়ু দিপার্টমেন্টতা ষ্টাফ ওফিসর ওইনা থৌদাং পুরক্তুনা মহাক্কী পূন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা পার্টিনা শীন্নবা লৈবাক্কী থৌদাদা মথৌ মশক খঙনা থৌদাং লৌরমখি। অথৌবা এল থাংজিংনা পার্টি অমদি লান্মী শঙলুপতা লৌরকখিবা থৌদাং অদু শক খঙদুনা মহাকপু তাঙ্কক কয়া থোক্লা ফমথোল (রেঙ্ক) লান্মীগী জি ঐচ ক্যু অমসুং পার্টিগী এম এ সীনা পীখি। এল থাংজিং ২০১৫গী ফেব্রুৱারী ৯দা সার্জন্ট মেজরদগী সেকেন্দ লেফটনেন্টতা ফমথোল পীখি। ২০১৯গী নবেম্বর ২৪দা লেফটনেন্ট ফমথোল পীখি অমদি ২০২১ চহী অসিদা কেপ্টেন ফমথোল পীখি। লোয়ননা ২০২১ চহীগী ফেব্রুৱারী ৯দা পার্টি কাদর অমা ওইনা পার্টিনা লৌশিনখি, নুমিৎ অদুদগী পার্টিনা শীন্নবা পার্টি কাদর অমগী চাউরবা থৌদাংসু লেপ্পুনা লৌদুনা লাকখিবনি।

কেপ্টেন থাংজিং মথৌদা পূক্লিং লুপ্পা, ৱা কয়া ঙাংগনদবা, অখাঙ কনবা, মশাগী অনাবা কয়া লৈরবসু পার্টিনা শীন্নরকপা থৌদাং অদুনা হেন্না লুম্না লৌদুনা পার্টিগী থৌগাই কয়া পুরকখিবা পার্টি অমদি মরৈবাকপু নীংজবা নীংতম লান্মী অমা ওইবা খক নত্তনা য়াওল্লোয় অমসুনি। মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিনা পার্টিদা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা অহাংবা মফম অমদি লৈহৌরনি। নুংশিখিবা য়াওল্লোয় অসিনা লৈখিদবা অসিদা অৱা-মৈশা লাংহৌরিবা মহাক্কী লোয়নবী, পীক্লিবা মচাশিং অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদা য়ু এন এল এফ অমদি লান্মী শঙলুপ এম পি এনা থম্মোয় শোক্না শরুক য়াজরি অমদি লৈখিদ্রবা নুংশিখিবা য়াওল্লোয় অথৌবা কেপ্টেন লৌরেম্বম থাংজিং এলিয়স নাওবীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা ইরৈপাক মণিপুরগী লৈশাদা তীন্দুনা ঈংনা চিক্না য়াতাবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চেফোঙ 'অনৌবা য়াওল' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : সী পি আই, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী থাগী চেফোঙ 'অনৌবা য়াওল' ঙসি ককচিংদা লৈবা সী পি আইগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ওফিসতা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা ফোঙখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সী পি আইগী দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এল ক্ষেত্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরমদুদা সী পি আইগী নেসনল কন্ট্রোল কম্মিসনগী মেম্বর কমরেদ ডা. এম নরনা থৌরম মপু ওইখি। পার্টিসিগী অহল ওইরবা থিওরিটিসিয়ন থোকচোম য়াইস্কুল, দি এম কোলেজ (সাইন্স)কী থবক্তগী পোথারবা প্রিন্সিপাল, ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট জি তোম্বা শর্ম্মা, চ্যেরমেন ষ্টেট কন্ট্রোল কম্মিসন এম এস সী/সী পি আই লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, সী পি আইগী ককচিং লোকল ভেটরান ৱাই ধনঞ্জয় অমসুং এম এস সী/সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেননা ময়াই তাংবল লৌখি।

চেফোঙ অসিগী মমল লুপা ৫০নি। চহীগী সবস্ক্রিপসন্না লুপা ৫০০ ওইরি। এদিটরনা অইবা/থিওরিটিসিয়ন ভোরোত সনসমনি অমসুং পল্লিসরনা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটেরিয়েট মেম্বর এ নবচন্দ্রনি।

থৌরমদুদা কমরেদ লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা ঙসি ফোঙখিবা চেফোঙ অদুগী মরমদা ৱারোল থমখি হায়রি।

ফাউন্দেসন দে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : ৱিমেন দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন তাওথোং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৩১শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা এম এস সী য়ুগী প্রসিদেন্ট এল তোমপিশক, আর্ট এন্দ কলচরগী দেপ্যুটি দিরেক্তর জি ধর্ম্মদাস, একাদেমী এৱার্দী পি ঐচ গুনচন্দ্রনচিংবনা শরুক য়াখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯲ (ꯍꯩꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

Apollo Academy
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
(In touch with Shri Cheitnya)
Registration is going on for
NEET (UG) - 2024
Students Scoring 90% above in HSLC-2022
Class starts : 11th March, 2024 Session : Morning
[7.00a.m. to 11.45a.m.]
Course fee: ₹ 10,000
Two months Hostel feeship free for
(a) Relief camp NEET -24 aspirants and (b) Students scoring 90% and above in HSLC-2022.
Special Features:
✓ Daily practising problems
✓ Class duration: 1hr. & 15 min.
✓ Daily 4 classes: Phy, Chem, Bot, & Zoo.
Sunday open
✓ Mock test on every Sunday
✓ Explanatory (solution) classes after tests
✓ 2 Mega Mock test (XI Sc. & XII Sc. section)
Forms Available:Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Office (9am. to 3p.m.)
HL-B/8604/6 to 25 March

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are limited First Come First Served
CLASS XII
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS XI
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS X
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)
Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)
Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M
For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-B/8605/7 to 31 March

[illegible]

"ফম্বাক হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে"



Progressive Artiste Laboratory (PAL) Lamboikhongnangkhong না শীন্দুনা শক্লাইরবা Manipuri জগোয়গী গুরু Thiyam Tarunkumar গী মীতম (মুর্ত্তি) অমা PAL গী Complex তা খিন্নবা ফম্বাক হোংবগী থৌরম অমা ঙরাং March 11, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা Prof. H. Tombi Singh, President PAL, Shri K. Radhakumar Singh, President, Manipur Cultural Organisation (MCO) অমদি Shri Budha Chingtham, President CWAF, Manipur না মপুং ওইনা শরুক য়াখি। গুরুগী মুর্ত্তি অসি লাক্লিবা May 21, ইং ২০২৪ দা হৌগদৌরিবা PAL গী Golden Jublilee Celebration হৌদোকপগী থৌরমদা মায়খুম হাংদোক্কনি।

Sd/- **Nameirakpam Tiken Singh**
(Musicologist) Director-PAL
Lamboikhongnangkhong, Imphal

HL-P/9959/13

ꯃꯤꯡ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ / NAME CHANGED

I, Laishram Triveni Devi, daughter of Laishram Hemanta Singh, resident of Malom Tuliyaima, P.O. Tulihal and P.S. Nambol, District Imphal West, Manipur have changed my Name from L. Triveni Devi to Laishram Triveni Devi. Sworn before Oath Commissioner Judicial Imphal East on dated 11th March 2024.

Sd/- **Laishram Triveni Devi**
Malom Tuliyaima

HL-P/9958/13

[illegible]/খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হাম্বা, খোঙ অকনবা অদুনা অমাংথোঙ মনুংদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হাম্বা, খোঙ অকনবতা ওইনা হাম্বা অদুনা অমাংথোঙ মনুংদা থেংলগা তৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ অপেৎপা হান্নবা হিদাক চারবসু হিদাক চারিফাওবতং অপেৎপা হাম্বা, হিদাক চাদ্রগনা হান্নগুম্না অকনবা হাম্বা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, চিকপা অদু ফনবা পেন কিল্লর অমদি ঈশিং অশাবা ফল্লবসু ঙাইহাক ফরল্লগা হান্নগুম্না অমুক হন্না চিক্লকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, শৌজ নান্থবা অদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নারগা অমদি পূক্তা প্রিক-প্রিক খোংবা, য়ারোমদা তোয়না খেগৎপা, অহিং তূম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরব্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্না অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/13 *থাগৎচরিবা:* **Ph. Herojit Singh,** Yairipok Bazar

চহীগী দশা য়েংজরি / ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible]/নপ মহি তাবা, নাহি তোয়না তাবা, অঙৈংবা অচা-অথক অমদি হৈ-রা চাবা য়াদবা, হকথি তোয়না খনবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহি তাবা, নাহি তোয়না তাবা, অঙৈংবা অচা-অথক অমদি হৈ-রা চাবা য়াদবা, হকথি তোয়না খনবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদা ওইনা হোনবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, লায়হৌ তোয়না হৌবা, ঙকশম মরি নাবা, মীৎ মরি অসিসু চিকপা নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/9815/13 *থাগৎচরিবা :* **L. Dungo Meitei,** Pangei

FORM IV

Statement about ownership and other particulars about newspaper **HUEIYEN LANPAO**.

1. Place of publication - IMPHAL
2. Periodicity of its publication - DAILY (MORNING)
3. Printer's Name - SOUBAM NILADHAJA SINGH
   Nationality - INDIAN
   Address - SEGA ROAD, KONJENG HAZARI LEIKAI, PO & PS IMPHAL, DISTRICT- IMPHAL WEST, MANIPUR-795001
4. Publisher's Name - SOUBAM NILADHAJA SINGH
   Nationality - INDIAN
   Address - SEGA ROAD, KONJENG HAZARI LEIKAI, PO & PS IMPHAL, DISTRICT- IMPHAL WEST, MANIPUR-795001
5. Editor's Name - MAIBAM DHANABIR MEETEI
   Nationality - INDIAN
   Address - MAYANG IMPHAL POLICE STATION MAMANG, PO & PS IMPHAL, DISTRICT-IMPHAL WEST, MANIPUR-795132
6. Name and addresses of individuals who own the newspaper and partners or shareholders holding More than one per cent of the total capital. - INDIVIDUAL

I, SOUBAM NILADHAJA SINGH, hereby declare that the particulars given above are true to the best of my knowledge and belief.

Date: 12/03/2024

Sd/-
SOUBAM NILADHAJA SINGH
Publisher
HUEIYEN LANPAO